# ৩শুবা জোইন্ট স্পেস মিসনগীদমক ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা থবক তৌমিন্নরিঃ আই এস আর ও



বেঙ্গলুরু, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা ৩ শুবা সেটিলাইট মিসনগীদমক অমদি অতোপ অতোপ্পা হীরমশিং মরু ওইনা হ্যুমেন স্পেস ফ্লাইট প্রোগ্রামশিংদা থবক তৌমিন্নরি হায়না ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) গী চেয়রমেন কে সিবননা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেসকী সেক্রেটরিসু ওইরিবা ডা. সিবননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা স্পেসকী লমদা থবক তৌমিন্নবগী ওইনদি ফ্রান্স অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা পার্টনর ওইরি। আই এস আর ও অমসুং ফ্রান্স স্পেস এজেসন্সি সী এন ঈ এসনা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা মেঘা-ত্রোপিক্যুজ অমসুং কুমজা ২০১৩ দা সরল-অলটিকা মিসন পাঙথোকমিন্নখি। মদুগী মতুং ৩ লক শুবা স্পেস মিসনগী ওইনা হৌজিক হৌজিক থবক তৌমিন্নরি।

ফ্রান্স অমসুং ইন্দিয়াগী ওইনা স্পেস মিসন কয়া পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈরি। ঙল্লিঙৈ মতমদা চন্দ্রয়ন-২ না থাগী লৈবাক্তা য়ৈশিন্দুনা তাশিন্দ্রিঙৈদা ফ্রান্সনা ইন্দিয়াদা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াগী ওইনসু চন্দ্রয়ন-২ মায় পাক্লা থাগী লৈমায়দা লেন্দিং তৌগনি হায়না চাওনা থাজবা থমখি।

তুংদা লৈবাক অনীনা থাগী খোঙচৎকী মতাংদসু পুন্না থবক তৌমিন্নরকপা য়ানা লৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অনীনা অতোপ অতোপ্পা স্পেস মিসনশিংগী মতাংদা থবক তৌমিন্নরবসু থাগী লৈমায়দা চৎপগী মতাংদদি নাকল অনীগী ওইনা ৱারী শান্নবা লৈত্রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা স্পেসকী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিবা কম্পনিশিংদা ফ্রেন্স কম্পনিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। ফ্রেন্স কম্পিনি খরনা ইন্দিয়াগী কম্পনি খরগা খূৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা মতেং পাংনবগী ৱারী শাবা খক্তা নত্তনা ইন্দষ্ট্রিগী লেভেলদসু ৱারী শানবগী থবকশিং চত্থবা হৌরক্লি। মসিনা ইন্দিয়াগী স্পেস মিসনশিংগী মতাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াদা চাওনা অওনবা পুরকপা য়ানা লৈ হায়না ডা. সিবননা মখা তারি।

# ষ্টেট অমসুং য়ু টিশিংনা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক সেন্তরনা খঙহনখ্রে

নু্য দেল্লী, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অদুগা মরী লৈননা সেন্তরনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবা অকনবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভালানা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে। য়ুনিয়ন সেক্রেটরি অসিদা পীখিবা চেরোল অদুদা লৈবাক অসিদা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চেকশিন্দবদগীনি।

মীয়াম তিনবা মফমদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মরু ওইনা মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা অমদি হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা হায়বা ৱাফমশিং মীয়াম্না থওইরক্তবদগী অমুক হন্না লায়না লায়চৎ অসি থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লিবনি।

হৌখিবা থা ৫ রোমদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং য়াম্না হন্থরুরবনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা অমুক হন্না লায়না লায়চৎ অসি থুনা য়াঙনা শন্দোরকখিবনি। মখা তানা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অকনবা চৈথেং পীরক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয় টেরিটোরিনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতিক চানা পায়খৎকদবনি হায়রি।



হৌখিবা চয়োল অমরোম অসিদা লৈবাক অসিদা য়ামদ্রবদা কোভিদকী কেস লীশিং ২০ দগী তাদনা থেংনরি। অমদি য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ গী মথক্ত কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিহল্লি। কোভিদ-১৯ না কা হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রসু অমা ওইরি। মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ কা হেন্না শতে দারকপদগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা লোকদাউন থমজিনখিবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে।

পঞ্জাব অমসুং মধ্য প্রদেশতসু লায়না লায়চৎ অসি শন্দোরকপদগী স্কুলশিং অমুক হন্না থোঙ লোনবগী ফীভমদা লাক্লে। অমদি মীয়াম পুনবদা অথিংবা থম্নবা খন্নবা হৌখ্রে। লৈবাক অসিদা হেনগৎলক্লিবা কোভিদকী অনৌবা কেস মশীংগী চাদা ৮০.৬৩ দি মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব, করনাটাকা, গুজরাট অমসুং ছটিসগরদগীনি।

য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভালানা লৈবাক অসিদগী কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রিবা ফাওবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎনবা আপীল তৌরক্লি।

## বেনর্জিনা বি জে পি হুন্দুনা ঙাঙখ্রে



কোলকাটা, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
সেন্তরদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসি মীয়ামগী হক মৎপা অমদি মীয়ামদগী নমফুদা পৈশা খোমগৎপা পার্টিনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হুন্দুনা ঙাঙখ্রে।

ইষ্ট মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হালদিয়াদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা তৃনামুলগী লুচিংবী বেনজিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা মফম খুদিংমক্তা কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং শাগৎনবা হোৎনরি। অমদি দলিট নুপীমচাশিংবু ওৎ নৈবগী থবক চত্থরি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাক নত্তে। মীয়ামগী হক মৎপা অমদি নমফুদা মীয়ামদগী শেল খায়গৎপা পার্টিনি। পি এম ক্যের ফন্দদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপা ক্রোর কয়া লাকখ্রবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ঈং তপ্পা অমদি কাঙলূপ নাইদবা লৈঙাক অমা লৈহনগে হায়রবদি তৃনামুল কোংগ্রেসনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা মথৌ তাই। বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা কাঙলূপ মশেন হাৎনবগী থবক থৌওংশিং শোয়দনা চত্থরি।

লাইনিং লাইশোনগী মিংদা মী হাৎপগী থবক তৃনামুলনা লৈরিঙৈ মতমদদি বেঙ্গলদা থোকহল্লোই। বি জে পিদা য়াওরিবা নুপীশিংসু মশাগী ঈকায়খুম্নবা চেকশিনবা মথৌ তাই হায়না নুপী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিনা মায় পাক্লিবা অসি অচুম্বা ভোটনা মায় পাকপা নত্তে। মীয়ামদা কিহনবা অমদি অহেনবা পৈশা পীশিন্দুনা ভোটতা মায় পাকপনি। মীয়ামদা মোদি লৈঙাক্লা ইলেক্সন মায় পাক্কবা হোৎনবদা পীরিবা শেনফমশিং অদু লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্ট প্রোপরটি কয়া য়োল্হোক্লগা পীবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙগদবনি। গভর্ণমেন্ট সেক্তর কয়া মোদিনা প্রাইভেটাইজ তৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি মদুগী ময়েক লারবা খুদম অমনি।

মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা রেলৱে, কোল সেক্টর, বি এস এন এল অমদি বেঙ্কশিং প্রাইভেটাইজ তৌরক্লিবা অসি শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা গভর্ণমেন্ট প্রোপরটি য়োল্হোকপগা চপ মান্নে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সনদা শীজিন্নগদবা ঈ ভি এম মেছিনশিং য়াম্না তোয়না চেক তৌবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মেছিন অদুদা অশোয়বা থেংনরবদি অমুক হন্না শেমজিল্লগা চেক তৌগদবনি। মরমদি মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ঈ ভি এমদা অরানবা থবক কয়া তৌদুনা ভোট ফংনবা হোৎনখিবগী থৌদোক মমাং মতমদা থোকখিবা লৈখ্রে হায়না নুপী লুচিংবী অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'ৱেটলেন্দ ১৫৭ কীদমক লুপা ক্রোর লীশিং ১ রিলিজ তৌখ্রে'

নু্য দেল্লী, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা লৈরিবা ৱেটলেন্দ ১৫৭ কী শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শীজিন্নবগীদমক নেস্নেল প্লান ফোর কঞ্জারবেসন ওফ এক্বাটিক ইকো সিষ্টেম (এন পি সী এ) গী শেন্থং মখাদা লুপা ক্রোর লীশিং ১ হেন্না রিলিজ তৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ প্রাকাস জাবেদকরনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পাৎশিং হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশীং হন্থরক্লি। ৱাটর বোদিশিং অসি মখা তানা মাঙশিল্লক্তনবা অমদি নৌনা শেগৎ শাগৎহন্নবগীদমক হায়রিবা শেনফম অদু কায়থোকখিবনি।

এন পি সী এগী স্কিম মখাদা সেন্তরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা হায়জরকপগী মতুং ইন্না শেন্থং পীবগী থবক চত্থরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱেটলেন্দ ১৫৭ শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ১,০৩৯ সেন্তরনা রিলিজ তৌখ্রবনি।

পাৎ অমসুং ৱেটলেন্দ শেমগৎ শাগৎনবগীদমক এন পি সী এনা অহেনবা মীৎয়েং চঙলি। ষ্টেট ষ্টেটশিংনসু থাদখ্রিবা শেনফমশিং অদু নীয়ম চুম্না পাৎ অমসুং ৱেটলেন্দশিং শেমগৎ শাগৎপদা শীজিন্নরিব্রা হায়বদু থিজিন্নবা কম্মিটি অমা শেল্লগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু সেন্তরনা স্পোন্সর স্কিমশিং অসি মপুং ফানা মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি নৎত্রবদি পায়খৎলিবা স্কিমশিং অরেম্বদা তাগনি হায়রি।

## রাম মণ্ডির ট্রষ্টনা লম স্কৱার ফিট লাক্ষ ১.১৫ লৈখ্রে

লক্ষ্ণৌ, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
রাম জন্মভুমিদগী কিলোমিটর অহুমলোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা শ্রীরাম জন্মভুমি টির্থ ক্ষেট্রনা লম স্কৱার ফিট লাক্ষ ১.১৫ লৈরে হায়না ট্রষ্ট অসিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ট্রষ্ট্রি অনিল মিস্রনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা লৈখিবা লমশিং অদু রাম মণ্ডিরগী অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবদা মতেং পাংগদৌরিবা সেক্যুরিটিশিংগী লৈফম, লাইনিংবশিংগী লৈফম অমসুং ট্রষ্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা লৈখিবনি।

লম অদু হৌখিবা চয়োলদা বসতি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হরিসকুমার কৌবা মীওই অমদগী লৈখিবনি। লম অদু স্কৱার ফিট অমদা লুপা ৬৯০ গী চাংদা লৈখিবনি। অপূনবা লম অদুগীদমক মপুদা ট্রষ্ট অসিনা লুপা ক্রোর ৮ পীদুনা লৈখিবনি হায়রি।



রাম জন্মাভুমিগী অকোয়বগী মফমশিং পাঙথোক চাওথোকহন্নবা ট্রষ্ট অসিনা খন্নরি। অযোধ্যাগী মেয়র রিসিকেস উপধ্যায় য়াওনা লম সর্ভে তৌবগী থবক হৌজিক হৌজিক চত্থরি।

অমরোমদা রাম মণ্ডির ট্রষ্টকী সেক্রেটরি চম্পৎ রায়না ফোঙদোকখিবদা রাম জন্মভুমিগী মফম পাকথোক চাওথোকহন্নবা হোৎনবদা নম্ফুগী ওইবা থবক অমত্তা চত্থরোই। লম মপুনা লম য়োনবদা অয়াবা পীদ্রবদি ট্রষ্ট অসিনা মখোয়দা নমফুদা লম য়োলহন্নবা থবক তৌরোই। লম মপুশিংনা দিমান্দ তৌরকপা মমলশিং পীরগা পাকথোক চাওথোকপগী থবক চত্থগনি হায়রি।

## পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪০,৯৫৩ থেংনখ্রে

নু্য দেল্লী, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪০,৯৫৩ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৮৮ শিহনখ্রে হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং ৪০,৯৫৩ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ না লৈবাক অসিদ শোকহনখিবা অপূনবা মীশিং ১,১৫,৫৫,২৮৪ য়ৌখ্রে। অদুগা লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশীংনা ১,৫৯,৫৫৮ য়ৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি রোম অসিদা লৈবাক অসিদা কোভিদকী লায়চৎ হান্নগা মান্নদবা মওংদা কা হেন্না শতে দারক্লি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা চাদা ২.৪৯ হেনগৎলক্লি। অদুগা রিভোকরি রেটনা চাদা ৯৬.১২ দা হন্থখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্টিভ কেস ২,৮৮,৩৯৪ য়ৌখ্রে। হায়রিবা অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টনি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ ১১১ নিগী মনুংদা ঙসিগী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশীং ওইরি। ঙসি থেংনখিবা কেস মশীংগী মনুংদা অয়াম্বদি মহারাষ্ট্র ষ্টেটতগী ওইরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা ষ্টেট খরদদি লোকদাউন থম্বা হৌখ্রে অমদি নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমদুনা চখোক চৎশিন য়াহনখিদ্রে হায়রি।

## মীয়াম তিনবা মফমদা কোভিদ টেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি

মুম্বাই, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কা হেন্না শন্দোরকখিবা অদুবু থিংনবা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না মুম্বাইগী মী য়াম্না চিনবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক পাঙথোক্কদৌরি।

হেল্থ ওফিসলশিংনা মীয়াম তিনবা মরক্তা চঙশিন্দুনা মশা খঙহন্দনা খুদক্তা টেষ্ট তৌবগী থবক অদু চত্থগদবনি হায়না ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন ওফ গ্রেটর মুম্বাইগী ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট (আর এ টি) মীয়াম তিনবা মফম মরু ওইনা রেলৱে ষ্টেসন, সোপ্পিং মোল, বস দিপোর্ট, অচৌবা কৈথেলশিং, গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং অমসুং লম কোয়বা কা হেন্না লাকপা মফমশিংদা মসিগী থৌওং অসি চত্থগনি। করিগুম্বা সিটিজেনশিংনা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা অয়েৎপা পীরক্লবদি ইপিদেমিক এক্ট ১৮৯৭ গী ময়োক্তা থবক তৌবগীদমক লিগেল এক্সন লৌগনি হায়রি।

## ফেক্টরি পোকখায়বদা ৪ শিরে, ১ শোক্লে

মুম্বাই, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রগী রটনগরি দিষ্ট্রিক্টকী খেদ টলুকাদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমদা থংনা থংননা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা ৱার্কর ৪ শিরে অদুগা অমনা শোকখ্রে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা থোকখিবনি। পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ফয়র দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা ৱার্কর ৪০ রোম রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে। কেমিকেল ফেক্টরি অদুগী য়ুনিট অমদা থংনা থংননা পোককায়রকপদগী লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং অশোক অপন নংখ্রবা মীওই অদু হোস্পিটালদা পুখৎখি। মদুগী মনুংদা ৪ দি শিরে হায়না ডোক্টরশিংনা খঙহল্লকখি। কা হেন্না শাগৎলকপদগী ফেক্টরি অদুদা লৈবা বোইলর অমা পোকখায়রকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। অদুবু চপ চাবা মরমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

## পাকিষ্টাননা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি মতেং পাংনবা হোৎনগনিঃ অমরিন্দর সিংহ



চান্দিগর, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টানগী অর্মী চীফ জেনরেল জাবেদ বাজৱানা ইন্দিয়া অমসুং পকিষ্টানগী মরক্তা য়েৎনদুনা লাকখিবশিং অদু কাওথোক্লরগা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনরসি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা করেম্নবা মওংদা পাকিষ্টাননা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবদি মতম পুম্বদা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরিন্দরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী অর্মী ওফিসলশিংনা ঙমখৈগী শরুক্তা খূৎ থোক্লবগী থবক লেপ্পা হায়না য়ানখ্রবা মতুং পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা লৈবাক অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপনবগী ৱাফম হৌদোরকখিবনি। মদুগী মতুং ইস্লামাবাদ সেক্যুরিটি দাইলোগতা পাকিষ্টানগী অর্মী চীফনা হৌখিবা ৱারীশিং কাওথোক্লবা হৌদোরকখিবনি।

পাকিষ্টাননা হীরম অসিদা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি লৈবাক অসিনা পাকিষ্টানগা লোয়ননা চৎমিন্নবা অকায়বা লৈতে। অদুবু পাকিষ্টাননা ৱাফম অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা লৈবাক অসিদা পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা লালহৌবা কয়া থাজিল্লক্তুনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক হান্না লেপহল্লবা মতুং ফোঙদোরকপা ওইরম্লবদি থাগৎলমগদবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিকসু ঙমখৈগী শরুক্তা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌরম কয়া চত্থদুনা ইন্দিয়ন অর্মী কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহল্লি। পাকিষ্টাননা পঞ্জাবকী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা দ্রোন শীজিন্নদুনা খূৎশু খূৎলাইশিং অমদি হেরোইন দ্রগ থাদদুনা নহা কয়া অরানবা লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনরি। মসি হান্না লেপকদবনি। মদুগী মতুং লৈবাক অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পগী ওইবা ৱারী শাবা য়াগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা মখা তাখি।


### ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4 Contact No. 6009147645/8014023792

### ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ TAMO SUDHAKAR (SHAMU) BU THAGATCHARI



SUDHAKAR

Eigi Kidneyda leiramba nungshing adu Sagolband Khamnam Leirak Imphal I.T.I. manakta leiba nungi layengba pabung padmashri Laishram Nabakishore gi machanupa Laishram Sudhakar na pabungi mahut sinduna layengbibadagi eigi nungshing adu loina takhre. Chahi kharagi mamangdasu pabungna layengduna phahanbikharaba matungda handaksu amuk leirakpadagi tamo Sudhakar na phahanbire. Masigidamakta Tamo Sudhakar bu hanna hanna thagatchari.

Sd/- **N. Dabeyenti Devi**
Kongpal Khaidem Leikai
HL-P/9341/21

### ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / PILES কী ওজা ওজা ABDUL HAQUE অতাঙবনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোংগী অকোয়বদু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোং মনুংদা ফুরিগুম্না পোম্লগা লৈবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খ্বাং নাবা অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিকপা নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোংদা শারি-শারি তৌবা অমসুং ঙকশম মরি নাবনচিংবা নুংঙাইতবশিংদু ওজা কবিরাজ Abdul Haque কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি কোক্লে। তশেংনমক ওজা কবিরাজদি লমদমসিদা অতাঙবনি। মরম অদুনা ওজা Abdul Haque, Contact No. : 8794429681, 8014623756 পু মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌবীখো হায়না মপুদা থৌনিজবগা লোয়ননা পাউচেসিগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Khelemba**
Thangmeiband Mayai
HL-P/9095/21

### ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-B/6802/21/2-22/3

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা, অদুগা অমুক পোমথোরকপা, অসুম্না অদুম তৌরগা লৈবা, নুমীৎ খরনি লৈরগা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউথোরকপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা অদুগা অমুক পোমথোরকপা, অসুম্না অদুম তৌরগা লৈবা, নুমীৎ খরনিগী মতুংদা অমাংথোং মপাল অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা মপাল অকোয়বদু খূৎনা ইনশিল্লবসু চঙউ য়াদবা, চৌক্রি অমদি ফানদা ফম্বা ঙমদবা অমাংথোং মপাল অকোয়বা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, ঈ তারকপা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপানদা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, শেংনা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোং মনুংদা নুংঙাইতবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, পুক চপ তিংখৎপা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, বেক বোন্দা চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্নিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/21 *থাগৎচরিবী :* **Prativa Devi,** Langmeidong

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোংদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, কুইনা ফমজিনবা তারগদি অমাংথোংদা য়াম্না নাবা, অমাংথোংদা য়াম্না শাগৎপা, মরক মরক্তা অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা ঈ ৱাশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কোক ঙাওবা ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চপ তিংখৎপা, পুকচেপ নাবা, পুক শাউগৎপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক পোমথোরকপা, মদুগী মতুংদা অমাংথোং ময়াদা চাউনা পোমথোরকপা, অমাংথোংদা চক চক থিল্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা, অমুক্তা মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিংই হায়না চঙলগা খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/21 *থাগৎচরিবা :* **L. Binoy Singh,** Mantripukhri